# ম্যান্মারগী মফম অয়াম্বদা ইলেক্ট্রিসিটিগী খূদোংচাবা ফংদবগী অৱাবা ময়োক্লরে



য়াঙোন, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং হীরম কয়াদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লন্দুনা লাক্লি। ঙরাংদগী হৌরগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা ফংদবগী অৱাবা অমুক মায়োক্লবা হৌখ্রে।

ম্যান্মারগী মরুওইবা অরবান সেন্টরশিং য়াওনা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিং অমদি য়াঙোনদা লৈবা কম্মর্সিয়েল হবশিংদসু মৈগী খুদোংচাবা ফংখিদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা নোংমগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়াঙোন ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই কোর্পোরেসননা ফোংদোকখিবদা হান্নগুম্না লৈবাক অসিদা মৈ ফংহন্নবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। নেসনেল গ্রিদকী সিষ্টেমদা প্রোব্লেম লাকপদগী তঙায়ফদনা মৈ মুথৎখিবনি। মৈ মুৎলিঙৈ মরক অসিদা মীয়াম্না পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবিগনু হায়রি।

ম্যান্মারদা য়াম্না তোয়না মৈ য়াদবগী থৌদোকশিং থোক্লি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইলেক্ট্রিসিটি গ্রিদ অসি মতমগা চুনদ্রবা অমনি। মসি শীন্দোক্লবা লৈবাক অসিদা হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুনা অকনবা মওংদা হোৎনরমখিবনি। অদুবু মীয়ামগী লৈঙাক অদু চহী মপুং ফাদ্রিঙৈদা মিলিটরিনা কু তৌখিবদগী শেমজিনবা ঙমদনা লাকখিবনি।

অমরোমদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না মৈগী বিল মতম চানা পীথোক্লবা খঙহনখ্রে। পীথোক্লবদি মৈ ককপগী থবক চত্থবা হৌরগনি হায়না ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা মাঙজৌননা খঙহনবসু লৈখ্রবনি।

# সাউথনা চত্থরিবা হোষ্টাইল পোলিসি খুদক্তগী লেপ্লবদি মায় পাক্কনি : কিম য়ো জোং

সিওল, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
চহী ৫০ হেন্না উংখৎনদুনা লাক্লবা নোর্থ অমসু সাউথ কোরিয়া অনীগী মরক্তা ঈং তপ্পা পুরক্লবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা পুথোরক্লিবা ৱাফম অসি নোর্থকীসু অপাম্বনি। অদুবু সাউথনা পিয়োংয়াংদা চত্থরিবা হোষ্টাইল পোলিসি অসি লেপত্রবদি কৈদৌনুংদা নাকল অনীগী মরক্তা ঈং তপ্পা পুরকপা ঙম্লোই। সাউথনা মখোয়গী পোলিসি হোংদোক্লবা মতমদতা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জে াং অনগী মচন্নুপী কিম য়ো জোংনা ফোঙদোরক্লি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জি ইননা কুমজা ১৯৫০-৫৩ ফাওবদা থোকখিবা কনফ্লিক্ট অদু লোয়শিনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং কিমনা মহাক্কী ৱারোল অসি ফোঙদোরকখিবনি। কুমজা ১৯৫০-৫৩ ফাওবদা থোকখিবা কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা চহী ৭১ উংখৎনদুনা লাক্লি। মতম শাংনা উংখৎনদুনা লাক্লিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী অমা থম্বা পাম্মী হায়না প্রসিদেন্ট মুননা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু মালেমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎখিবনি। অমদি নোর্থ কোরিয়ানসু হিরম অসিগী মতাংদা মাঙলোমদা চঙশিনবা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখিবনি।

কিমনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা পুথোকখিবা ৱাফম অদুবু তরাম্না ওকই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নোর্থনসু মতম পুম্বদা ঈং তপ্পা লৈবা পাম্মী। অদুবু সাউথ অমদি মখোয়গা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংনা থেংখাং কয়ারক্তা নোর্থকী সিক্যুরিটিদা শীংনদুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা পিয়োংয়াংদা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমদবনি। হৌজিকসু সাউথনা পিয়োংয়াংদা হোষ্টাইল পোলিসি কয়া চত্থরি। মসিগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা হান্না মীৎয়েং চংবা মথৌ তাই হায়রি।

# য়ুরোপকী খ্বাইদগী ৱাংবা রসিয়াগী মাউন্ট এলব্রসতা চীংকারোয় ৫ শিখ্রে : মিনিষ্ট্রি



মোস্কো, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
য়ুরোপকী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা চীং অমা ওইরিবা রসিয়াগী মাউন্ট এলব্রসকী চীংদোল য়ৌনা কানবা হোৎনখিবা চীংকারোয় মঙা কা হেন্না ঈংবদগী শিখ্রে হায়না রসিয়াগী ইমজেন্সি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হীরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা থোকখিবনি। পুন্না চীংকারোয় ১৯ চীংদোল য়ৌনা কানবা চৎখিবনি। লৈমায়দগী মিটর ৫,০০০ হেন্না ৱাংবা মফম অমদা চীংকারোয় ১৯ অদু অকনবা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা চৎকদবা লম্বী ময়েক শেংনা উদবদগী পন্দুনা লৈখি। হায়রিবা মফম অদু কা হেন্না ঈংবনা মরম ওইরগা মখোয় ১৯ গী মনুংদা ৫ মফম অদুদা শিখিবনি।

রসিয়াগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা কোকাকসতা লৈরিবা চীং অসিদা খুদোংথিবা থোক্লে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্করশিং মফম অদুদা খুদক্তা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চত্থখি। মখোয়না মফম অদু য়ৌখিবা মতমদা মীওই ৫ দি হান্না শিদুনা লৈরম্লে। অদুগা লেমহৌরিবা মখোয় ১৪গী ফিভমসু লুনা লৈরমখি। মখোয় ১৪ হৌজিক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চত্থবা হৌখ্রে।

চীং কাবগী থৌরম অদুবু ওর্গনাইজ তৌখিবা কম্পনি অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, চীংকারোয়শিং অদুগা লোয়ননা প্রোফসনেল গাইদ ৪ অমসু লোয়নখি। চীং কাবা হৌখ্রবা মতুং নুপী চীংকারোয় অমগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী গাইদ অমগা লোয়ননা মখা তম্না লাকখি। অদুমওইনমক লম্বীদা নুপী অদু মখা য়ৌরকপা নংদনা শিখিবনি।

লেমহৌরিবা চীংকারোয়শিং অদু মখা তানা চীংদোল য়ৌনবা হোৎনখি। অদুবু চীং অদুগী মতোন য়ৌগদবা মিটর ৬০০ রোম খক্তা ঙায়রবা মতমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনামরম ওইরগা লম্বী চৎপা য়াদনা লৈখিবনি। চীং অদুগী খুদোংচাগদবা মফম অমদা পন্দুনা লৈরিবা চীংকারোয়শিং অদুগী মনুংদা ২ দি কা হেন্না ঈংবদগী শিখিবনি অদুগা ২ না খঙহৌদনা ৱাস্থরকখিবনি। মখোয় অনী লেমহৌরিবা চীংকারোয়শিং অদুনা অকনবা মওংদা গ্যান তানবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদনা অদুম্মক শিখিবনি।

মিটর ৫,৬৪২ ৱাংবা মাউন্ট এলব্রস কানবা হোৎনবদা শিখিবা চীংকারোয় অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। চহী খুদিংগী চীং অসিগী মতোন য়ৌনা কানবা হোৎনবদা চীংকারোয়শিং শিবগী থৌদোক থোক্তুনা লাক্লি।

# মীয়াম্না পাখৎতনবা আপীল তৌরক্লি

লন্দন, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
য়ু কেদা পেত্রোল পম্প খরা থাও ফংদবদগী থোঙ লোনশিনখিবা অদুগী মতাংদা মীয়াম্না পাখৎতনবা য়ু কে গভর্ণমেন্টনা আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা পম্পশিং অদুদা থাও দেলিভর তৌনবা লোরি দ্রাইভরশিং লৈতবদগী খুদোংচাদবা অসি থোকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু কেদা লৈরিবা পেত্রোল পম্প খরা থোঙ লোনখিবা অদুগা মরী লৈননা মীয়াম্না অতোপ্পা মথৌ তৌরিবা পম্পশিংদা ক্যু শাংনা লেপ্লিবা অদু তৌদনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা খঙহল্লক্লি। অথুবা মতমদা লোরি দ্রাইভরশিং নেক্তুনা থোঙ লোন্দুনা লৈরিবা পেত্রোল পম্পশিং অদুদা থাও দেলিভর তৌহল্লগনি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চরাংনরিবা অদু তৌরোইদবনি। লৈবাক অসিদা থাওগী অৱাৎপা লৈতে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পুং ৪৮গী মনুংদা পেত্রোল পম্প খূদিংমক হান্নগুম মথৌ তৌহনগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না মীয়ামদা থমখি।

# মীওইবগী অরিবা খোঙ্গুলশিং থেংনখ্রে

লোস এঞ্জেলিস, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
ঙসিদগী চহী ২৩,০০০ রোমগী মমাঙদা লৈরম্বা মীওইবশিংনা চৎলম্বা খোঙ্গুলশিং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থেংনবা ঙমখিবগা লোয়ননা হায়রিবা খোঙ্গুলশিং অসি আইস এজগী অরোইবা মতমদা লৈরম্বা মীওইশিংগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা থীজিল্লোইশিংনা ফোঙদোকখিবদা, নোর্থ অমেরিকাদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা মীওইবশিং খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরম্মী হায়বসি খোঙ্গুল অসিনা উৎলি। নৌনা থেংনখ্রবা খোঙ্গুলশিং অদু অয়াম্বনা চহী নৌরিবা অঙাংশিং অমদি ইনখৎলকপা মীওইশিংগী ওইগনি হায়না থাজনরি। মখা তানা হীরম অসিগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা অকনবা থীজিনবগী থবক চত্থরি।

নোর্থ অমেরিকাদা ঙসিদগী চহী ২৩,০০০ রোমগী মমাঙদা মীওইবশিং খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরম্মী হায়বসি হান্না খঙখিদে। চহী ১৩,৫০০ রোমগী মমাঙদগী নোর্থ অমেরিকাদা মীওইবা খুন্দাবা হৌরকখিবনি হায়না থাজনরম্বা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা থেংনখিবা খোঙ্গুলশিং অসিনা অঙকপা পোকহনখ্রে।

# অফঘানিষ্টানগী মতাংদা অহানবা ওইনা পাকিষ্টান অমদি য়ু এস ৱারী শাবা হৌখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
ন্যু য়োর্কতা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লিদা অহানবা ওইনা য়ু এস অমসুং পাকিষ্টাননা অফঘানিষ্টানগী মতাং ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না মমাং থাগী ময়ায় চল্লকপদগী হৌরগা অফঘানিষ্টানদা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবানগী লুচিংবশিংগা পাকিষ্টান, চাইনা অমদি রসিয়াগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নখ্রে। পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগী মায়কৈদগীদি অফঘানিষ্টানদা নৌনা লাকখ্রবা টালিবানগী লৈঙাকপু মালেমগী লৈবাকশিংনা রিকগনাইজ তৌবীবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনবদা মতেং পাংশিনবনা হেন্না ফৈ হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু য়ু এসকী ওইনদি নৌনা লাকখ্রবা টালিবান লৈঙাক অদু খুদক্কী ওইনা শকখঙবগী ৱাফম লৈতে। মখোয়গী থবক থৌওংশিংগী মতুংইন্না ফিরেপ লৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুমওইনমক হৌজিক হৌজিক অফঘানিষ্টানদা ওইরিবা ফিভম অসিদা তঙায়ফদনা অহেনবা মীৎয়েং চংবা মথৌ তারকপদগী য়ু এস অমসুং টালিবান লৈঙাক্তা ঙাক্লৌ পীরিবা পাকিষ্টানগা ৱারী শাবা হৌখিবনি। টালিবানগী মায়কৈদগী অফঘানদা মপুং ফাবা অমদি মপাঙ্গল কনবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনবদা মালেমগী লৈবাকশিংগী মতেং পাম্মী হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু পল্লদুনা এন্টোনি ব্লিনকননা ফোঙদোকখিবদা, অফঘান মীয়ামগী হিংবগী হক মাঙহল্লোই হায়না টালিবাননা থাজবা পীরবদি অনৌবা লৈঙাক অদু য়ু এসনা রিকগনাইজ তৌনবা শেম শাদুনা লৈ। মসিদা নত্তনা হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক অদুবু থাদোক্তুনা চৎনিংবা ফোরেন নেসনেলশিং অমদি অফঘানশিং অয়েৎপা পীদনা লৈবাক অদু থাদোকপা য়াহনগদবনি। মসিনা টালিবানগী অহানবা খোঙথাং ওইগদবনি হায়রি। অমরোমদা পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মেহমুদ কুরেসিনা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান অমদি পাকিষ্টান ৱারী শাবা হৌখ্রে। টালিবানগী মায়কৈদগী লৈবাক অদুদা অতোপ্পা লালহৌবা গ্রুপশিংনা ওপরেট তৌহল্লোই হায়বগী থাজবা পীরক্লে। পাকিষ্টানগী ওইনদি টালিবানগী লৈঙাক অসি রিকগনাইজ তৌগনি হায়রি।

# ওজা হাৎপদা চেন্নবা মীওই পুলিসনা ফারে

টাইপৈ, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
লন্দনগী পার্ক অমদা মশাগী চহী ২৮ রোম শুরবগী ওজা নুপী অমা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই বৃটিশ পুলিসনা ফারে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসর অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, সাবিনা নেসা থা অসিগী ১৭ নুমিদাং পুঙ ৮.৩০ রোম তারকপদা মমান্নবী অমা উননবগীদমক ময়ুমদগী থোরকখিবনি। মহাক্কী ময়ুমদগী মিনিট ১০ রোম খোঙনা চৎলগা লৈবা পব অমদা মমান্নবী অদু উনবা চৎখ্রবা মতুং মহাক অমুক হন্না ময়ুমদা হল্লকখিদবনি। পবতা ঙাইদুনা লৈরিবা মমান্নবী অদুনা মহাক্কী ময়ুমদা কোল তৌদুনা নেসাগী মতাংদা হংখি। নুমিৎ অদুগী নোঙাল্লকপদা নেসাগী অশিবা হকচাং অদু মহাক্কী ময়ুম অমসুং পব তাবা লম্বী অদুগী মরক্তা লৈবা পার্ক অমদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি। মীশি অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরবা মতুং সী সী ফুটেজশিং চ্যেক তৌবদা মীওই অমনা মহাকপু থাঙনা থিনবগী মমি উখি। মীওই অদুবু মশক খঙদোক্লবা মতুং ঙসি পুলিসনা ময়ূমদগী ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

# মায়কৈ খঙদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ১ শিরে, ১২ শোক্লে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
য়ু এসকী মনুং চনবা মেমফিসতা লৈবা সুপর মার্কেট অমদা ঙরাং শকখঙদবা মীওই অমনা মায়কৈ খঙদনা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক অমদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা ১২ অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙাংলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, করি মরমগীদমক মীওই অসিনা মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চত্থখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মীওই অসিনা নোংমৈনা কাপ্তুনা অতোপ্পা মীওই অমা শিহনখিবা অমদি মীওই ১২ শোকহনখ্রবা মতুং মহাক মশাসু মতোমতা মশানা পায়রক্লিবা নোংমৈ অদুনা কাপশিন্দুনা শিজখিবনি।

নোংমৈ কাপ্পগী পাউ হেক ফংবগা এস দব্লিয়ু এ টিগী টিম অমা সুপর মার্কেট অদুদা খোঙলে থুনা চঙশিল্লকখি। খূদক্তা সুপর মার্কেট অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না ইভাক্যুট তৌখিবগা লোয়ননা দুকানশিং থোঙ লোনহনখি। এস দব্লিয়ু এ টিগী মেম্বরশিংনা মফম অদুদা চঙশিনখিবা মতমদা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওই অদুসু শিদুনা লৈরমখিবনি।

উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না গ্রোসরি সুপর মার্কেট অদুদা নোংমৈ পায়বা মীওই অদু চঙশিল্লক্লবা মতুং খঙহৌদনা মায়কৈ খঙদনা নোংমৈ কাপথোরকখিবনি। থৌওং অদুদা অকিবা পোক্লবা মীয়াম সুপর মার্কেট অদুগী লৈমায়দা উপশিন্দুনা লৈনখি। নোংমৈ মখোল কয়া তাখ্রবা মতুং এস দব্লিয়ু এ টিগী মেম্বরশিংনা চঙশিল্লকপা মীয়াম্না উনখি।

এস দব্লিয়ু এ টিগী মেম্বরশিংনা মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরম্বা মীওইশিং তেক্ত-কায়দনা সুপর মার্কেট অদুগী মপান্দা পুথোরকখি। অমরোমদা, এফ বি আইনা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL**

**Ref. Mutation Case No. 188/SDC/NBL of 2021**

Maibam Bashanta Singh S/o (L) Manibabu Singh
of Ishok Maning Chingya
... Petitioner

-Vs-

(Late) Maibam Manibabu Singh S/o Membhor Singh of Ishok
... P.O.

**/ NOTICE**

Dt. 24-9-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 13-Ishok, Patta No. 555 Dag No. 140/227 an area of 1.90 acres of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/0154/25



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**/ NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 23rd September, 2021**

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Sagai Sabi Farmers' Development Committee"** address as Mayang Imphal Sagai Sabi, Imphal West on 23/09/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Mayang Imphal Sagai Sabi**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any objection / quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/0150/25



**ADMISSION OPEN**

**FOR THE FOLLOWING COURSES**

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

**FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764**
**OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com**

**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**
**KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL**

HL-B/7118/1/9-1/10



**COMET**
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**ADMISSION OPEN**
For
**MEDICAL REGULAR COURSE 2021-22**

**For Admission & details please**
**Visit Our Website :www.cometcoaching.in**

- Date of Form issue : 13th September, 2021
- Last date of form submission : 30th September, 2021
- Class commencement from : date to be published in newspapers

**Free Studentship available**
**(Limited seats based on first come first serve basis)**

**Special Features**

- Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
- Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
- Assessment test every Sunday (during pandemic).
- If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Study Materials will be provided.

**Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.**

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL-B/7175/22,23,25,27



**LOAN পীজরি WITHIN 45 DAYS মনুংদা LOAN ফংহঞ্জগনি**

No Processing Fee    No Deposit

1. Self Employed persons Loan.
2. Agri Land Loan.
3. Non-Agri Land (Mortgage property) Loan.
4. Salaried Person Loan

**Office Hour : 10 am to 3 pm.**
**# 9362323364**
**# 7005862472**

Sd/- **Manager**
**YAIPHARE GROUP OF FINANCE**
Chingmeirong, Imphal
Near Maruti NEXA

HL-B/7156/15-29/9



**APOLLO ACADEMY**
*Moulding Medical & Engineering Career*
**ADMISSION OPEN**

**Regular Course for Medical (NEET-UG) & Engg.(JEE)-2022**
*Eligibility - Class XII passed*

*Class commencement*: To be notified later (Offline Class)

**DIRECT ADMISSION WITH FREESHIP ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021**
* 91% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (BOSEM) / CLASS XII - 2021 (COHSEM)
* 95% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (CBSE) / CLASS XII - 2021 (CBSE)

**DIRECT ADMISSION WITH CONCESSIONAL FEE ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021**
* 85% MARKS - BELOW 91% (FEE CONCESSION - 20% )
* 75% MARKS - BELOW 85% (FEE CONCESSION-15%)
* SPECIAL CONCESSION TO ST/PYSICALLY CHALLANGE / MOBC STUDENTS

*SPECIAL FEATURES :*
* TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
* CHAPTERWISE TEST ON EVERY MONTH
* PRACTICE SESSION ON EACH CLASS
* FOUR MOCK TEST FOR EACH 11 SC. AND 12 SC. NEET SYLLABUS
* ONE MEGA MOCK TEST ON WHOLE SYLLABUS

COVID-19 VACCINATION CERTIFICATE AT LEAST FIRST DOSE IS MANDATORY
LODGING FACILITIES FOR BOYS & GIRLS

*FOR DETAILS :* PLEASE CONTACT APOLLO OFFICE, NEAR AMUCO OFFICE KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL - 795001

HL-B/7161/16 Sept. to 1st Oct.